# মহারাষ্ট্রদা এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দবু মপুং ফানা শৌগৎপা উৎখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ১৫ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি অমদি শিব সেনা য়াওনা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ কয়ানা এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দবু মপুং ফানা শৌগৎপা উৎখ্রে।

কোবিন্দবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদ্নাবিজনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটর ২০০ হেনবনা কোবিন্দদা শোয়দনা ভোট পীগনি। কোবিন্দগী খোঙচৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা এন দি এগী এম পি অমদি লেজিসলেটরশিং লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিং য়াওবা মীফম অমদা ফদ্নাবিজনা হায়খি, হন্দক্কী মীখল অসিদা এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইরিবা রাম নাথ কোবিন্দনা শোয়দনা মায় পাক্লগনি।

অপূনবা মেম্বর ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা বি জে পিগী এম এল এ ১২৩ অমসুং শিব সেনাগীনা ৬৩ লৈরি। মসিগীসু মথক্তা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১৪ না কোবিন্দদা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ওপোজিসন কোংগ্রেস অমদি এন সী পিগী লেজিসলেটর খরসু এন দি এগী মীরেপ্তা ভোট পীরকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, আম আদমি পার্টিগী সিনিয়র লীদর ঐচ এস ফুলকানা ওপোজিসনগী প্রসিদেন্ট মীরেপ মৈরা কুমারদা ভোট পীরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দাখা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্লত্তুনা এ এ পিগী এম এল এ ওইরিবা ফুলকানা হায়খি, জগদিষ্ট টাইটলর অমদি সর্জন কুমারনচিংবা কুমজা ১৯৮৪ গী এন্টি সিখ রায়টতা মরাল লৈরবা মীওই কয়া হৌজিকসু কোংগ্রেসকী মরুওইবা থৌ পুদুনা লৈরিবা মরম্না ওপোজিসনগী মীরেপ্তা ভোট পীদনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

জুলাই ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসনগী মীরেপ মৈরা কুমারদা শৌগৎলগনি হায়না এ এ পিনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা পার্টি অসিগী লুচিংবা সঞ্জয় সিংহনা হায়খি, দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা পার্টিগী পোলিটিকেল এফেয়র্স কম্মিটি (পি এ সী)না ওপোজিসনগী মীরেপ মৈরা কুমারদা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌরে।

লোক সভাগী স্পিকর ওইরম্বী মৈরা কুমারনা কেজ্রিৱালদা টেলিফোন তৌরক্তুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাকপু শৌগৎপীনবা হায়জরকখি হায়না সঞ্জয় সিংহনা মখা তাখি।

দিল্লিদা এ এ পিগী এম এল এ ৬৭ অমসুং পঞ্জাবতনা এম এল এ ২০ লৈবগী মথক্তা লোক সভাদা এম পি ৪ লৈরিবা মরম্না পার্টি অসিগী অপূনবা ভোট মশীং ৯,০০০ খরা হেন্না লৈরি।

লৈবাক্কী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ওপোজিসনননা মরুওইবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈবনা মৈরা কুমারদা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌবনি হায়না সঞ্জয় সিংহনা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন পার্টি পুন্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা মীরেপ ওইনা চোংথোরক্লিবা মৈরা কুমারবু নিটিশ কুমারনা লুচিংবা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)না শৌগৎলরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্সতগী লাপথোরকখ্রবা জে দি য়ুনা রাম নাথ কোবিন্দদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দনা অপূনবা ভোটকী চাদা ৬২ ফংবা তারবসু মমাঙগী মীখলদা প্রনাব মুখর্জীনা ফংখিবা ভোট মশীং শুনা ফংগদবা মান্দে হায়না থাজনরিবনি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, হন্দক্কী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা দলিট মীরেপ অনী লম্বা তৌরবসু লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা শোয়দনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

অপূনবা ভোট ১০,৯৮,৯০৩ গী মনুংদা রাম নাথ কোবিন্দনা ভোট লাখ ৭ লোম ফংলগা ওপোজিসনগী মীরেপ মৈরা কুমারনা ভোট লাখ ৪ রোম ফংবা য়াই হায়না থাজনরি।

রাষ্ট্রিয়া জনতা দল, সমাজৱাদি পার্টি, বহুজন সমাজ পার্টি, তৃণমূল কোংগ্রেস অমদি সী পি আই (এম)না ওপোজিসনগী মীরেপ্তা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হন্দক্কী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসনননা মায় পাকপা য়াবগী মমি উদ্রে। এন দি এদা য়াওদবা জনতা দল য়ুনাইটেদ, বিজু জনতা দল, এ আই এ দি এম কে, টি আর এস অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা রাম নাথ কোবিন্দদা শৌগৎলগনি হায়রি।

# উল্ফাগী লুচিংবা পরেশ বরুৱাগী মথক্তা চার্জ সীট ফাইল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী) :
নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উল্ফা)গী লুচিংবা পরেশ বরুৱা অমদি লূপ অসিগী চেয়রমেন মুকুল হজারিকাগী মথক্তা চার্জ সীট ফাইল তৌখ্রে।

কুমজা ২০১৩ দা এন আই এ গুৱাহাটিনা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা চার্জ সীট ফাইল তৌখিবনি। ফারবা উল্ফাগী কাদর গগন হজারিকাগী মথক্তসু চার্জ সীট থাঙ্গৎখি। এন আই এনা চার্জ সীট ফাইল তৌখ্রবা পরেশ বরুৱা ম্যান্মারদা লৈরি। মুকুল হজারিকানা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈরি।

এন আই এনা থাঙ্গৎলকখিবা চার্জ সীট অদুনা হায়খি মদুদি, মীচেন ওইখ্রবা উল্ফাগী লুচিংবা অনীগী মথক্তা আই পি সী অমসুং য়ু এ পি এগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সন কয়াগী মখাদা মথৌ তাবা থবক লৌখৎলগনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা চখৎবা ইনভেষ্টিগেসনদা মীরোৎ ওইখ্রবা উল্ফাগী লুচিংবা অনীগী মায়োক্তা মতিক চাবা খুদম কয়ামরুম ফংবা ঙল্লে হায়নসু এন আই এনা ক্লেম তৌখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্টতা উল্ফাগী লুচিংবা পরেশ বরুৱানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা ৱারী শাননবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও)দা পাউ য়ৌহল্লকপা লৈখ্রবনি। মতমদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ম্যান্মারদা লৈবা লালহৌলূপ অসিগী মথক্তা পাক শন্না ওপরেসন চত্থরকপদগী বরুৱানা সেন্টরগা ৱারী শাননবা ফিরেপ লৌরকখিবনি হায়না থাজনখি। মদুগীসু মথক্তা ম্যান্মারদা পোলিটিকেলগী অহোংবা ফীভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা নাগা পিছ একোর্দনা মরম ওইরগা বরুৱাগী ফিরেপ হোংলকপা ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, উল্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি গোলাপ বরুৱা এলিয়স অনুপ ছেটিয়াবু বেল পীরবা মতুংদা গুৱাহাটি সেন্ট্রেল জেলদগী থাদোকপা লৈখ্রবনি। জেলদগী থোরক্লবা মতুংদা ছেটিয়ানা হৌজিক-হৌজিক সেন্টর অমদি উল্ফাগী মরক্তা চত্থরিবা পিছ টোকতা শরুক য়ারগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

# প্রসিদেন্টনা জাঙ্গিপুরদা লেম্না এল পি জি কনেক্সন ফংহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী) :
উজ্জৱালা স্কিমগী শরুক অমা ওইনা লায়রবা ইমুংগী নুপী ক্রোর ৫ দা লেম্না এল পি জি কনেক্সন পীনবগী থৌরাং মখাদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা ঙসি জাঙ্গিপুরদা নুপী অমদা কূকিং গ্যাস কনেক্সন ফংহনখ্রে।

মমাঙ চহীগী মে থাদা সেন্টরনা লৌখৎখিবা থৌরাং অমগী মখাদা চহী অহুমগী মনুংদা লায়রবা ইমুংগী নুপী ক্রোর ৫ দা লেম্না কূকিং গ্যাস কনেক্সন ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

লায়রবা ইমুংদা চাক থোংবদা শীং অমসুং ষম্বী অকংবা মৈ থাবদগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম মোৎহনবা মরম্না চাকথোং গ্যাস লেম্না ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুংইন্না চহী খুদিংগী ইন্দিয়াদা এয়র পোল্যুসননা মরম ওইরগা মীওই মিলিয়ন ১.৩ লোম মনুং-মতম চাদনা শিহল্লি হায়রি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা ঙসি জাঙ্গিপুর হাউসতা গৌরি সরকার কৌবী নুপী অমদা কূকিং গ্যাস কনেক্সন খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা প্রধান মন্ত্রি উজ্জৱালা যোজনা (পি এম য়ু ৱাই) স্কিমগী মখাদা গ্যাস কনেক্সন ক্রোর ২.৫ হেন্না ফংহনখ্রে।

ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধানসু শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা প্রসিদেন্টনা জাঙ্গিপুর, রঘুনাথ গঞ্জ অমদি মুর্সিদাবাদকী নুপী ১০ দা লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীখি হায়রি।

কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবদা ইন্দিয়াগী অপূনবা য়ূমথোঙগী চাদা ৮০ দা চাকথোং গ্যাস শীজিন্নহন্নবা সেন্টরনা পান্দম থল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা লায়রবগী পনখে মখাদা লৈবা ইমুংগী নুপীশিংদা লেম্না এল পি জি কনেক্সন পীনবগীদমক লুপা ক্রোর ৮০০০ খাত্তুনা থমখ্রবনি।

# মেহবুবা মুফটিনা রাজনাথ সিংহ উনদুনা সিক্যুরিটিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী) :
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনদুনা পাকিস্তানগা লোন্নবা ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা মেহবুবা মুফটিনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ঈং-তপ্পা ফীভম কায়হন্নবগী পান্দমদা মিলিটেন্টশিংনা অমরনাথ যাত্রাগী পিলগ্রিমশিংদা এটেক চত্থদুনা মীওই ৭ হাৎখিবনি। মপানগী খূৎ য়াওবা মরম্না ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অমরনাথ পিলগ্রিম-শিংদা এটেক চত্থখিবদা পাকিস্তানি অনী য়াওনা টেররিষ্ট মরি চেন্নে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টলিজেন্সকী ছোর্স পল্লদুনা ওফিসলশিংনা হায়খি, পাকিস্তানদা লৈবা অমসুং লাস্কর-ঈ-তোইবা (এল ঈ টি)গী কম্মান্দর অবু ইস্মেলনা লুচিংলগা অমরনাথ পিলগ্রিমশিংদা এটেক চত্থখিবনি হায়না খঙলে।

চৈরকসিদা, পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা শিখ্রে। লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্কী রাজোরি সেক্টরদা পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রবা লান্মী অদু লান্স নাইক মহমদ নাসির কৌই হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ষ্টেট অসিগী কুলগামদা মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চত্থরকপদা সী আর পি এফকী জৱান অমা অশোক-অপন নংখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মিলিটেন্ট অমা ফারগা ৱাহং পাউহং চত্থরি।

অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা য়ুরি এরিয়াগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী লান্মীশিং নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা নুপী অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

পাকিস্তাননা য়ুরিগী দার্দকোট এরিয়াদা অকনবা মওংদা মোর্টার অমদি ওটোমেটিক ৱেপন শীজিন্নদুনা এটেক চত্থরকপদা সকিলা বেগম (৪৫) কৌবী নুপী অমা মোর্টার সেলগী মচেৎনা পানবদগী শোকখিবনি। শোক্লবা নুপী অদু য়ুরিগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা মখা তানা লায়েংলুনবগীদমক শ্রীনগরদা পুখি।

অমরোমদা, সেপরেটিষ্ট হুরিয়ট কনফরেন্সকী লুচিংবা মিরৱাইজ উমর ফরুকপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্বা লৈখ্রবনি। সেপরেটিষ্ট লীদর অসিনা হাওহাটাদা লৈবা জামিয়া মসজিদতা ইরাই নুমিৎকী লাই খুরুম্বা চৎলমদায়দা পুলিসনা ফারগা ময়ূমদগী হেন্দোকহনখিদবনি।

হুরিয়টকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, উমর ফরুকনা জামিয়া মসজিদতা চৎতুনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংদা ৱা ঙাঙগদৌরে হায়বা খঙবদগী পুলিসনা মাঙজৌননা অথিংবা অদু পীখিবনি।

হুরিয়ট কনফরেন্সনা ইরাই নুমিৎকী লাইশোল লোইরবা মতুংদা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই খনবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা সয়িদ সলাবুদ্দিনবু গ্লোবেল টেররিষ্ট ওইনা লাউথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা লূপ অসিনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রে। পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই খনবদগী ওঠোরিটিশিংনা শ্রীনগরগী মফম খরদা মাঙজৌননা অথিংবা থমখি।

অমরোমদা, নোর্থ কাশ্মীরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা সোপোর টাউনদা নহারোল ৩০ রোমগা পুলিস অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সকী অপূনবা টিম অমগা খূৎ থোক্লখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা ইরাই নুমিৎকী লাইশোল লোইরবা মতুংদা জামিয়া মসজিদ মনাক্তা পূন্দুনা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌখি। মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরম্বা সিক্যুরিটি পার্সনেল-শিংনা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা টিয়র গ্যাস সেল অমদি স্মোক বোম শীজিন্নখি। প্রোটেষ্টরশিংনসু পুলিসতম্না নুঙ লংশিল্লকপদগী নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি।

# গভর্ণমেন্টনা দোক্লামদা থোক্লিবা থৌদোক্কী মতাংদা ওপোজিসনগা খন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী) :
সিক্কিমগী দোক্লামদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লান্মীশিং মুক্নবদগী থোরক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংগা উনদুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা মীফম অদুদা শরুক য়াখি। কোংগ্রেস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পার্টি ১৪গী লুচিংবশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী এম পি রাজামোহোন রেদ্দিনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, হৌজিক-হৌজিক দোক্লামদা চাইনাগা মুক্নবগী থৌদোক অসি অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুরক্লগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীরক্লে। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ওপোজিসনননা লৈঙাক্কী মায়কৈদা চপ চানা লেপ্পি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা কোংগ্রেস, বি জে পি, এ আই এ দি এম কে, দি এম কে, জনতা দল য়ুনাইটেদ, তৃণমূল কোংগ্রেস, সী পি আই (এম), বহুজন সমাজ পার্টি, টি আর এস, সমাজৱাদি পার্টি, ৱাই এস আর কোংগ্রেস, এল জে পি, শিব সেনা অমসুং টেলুগু দেসামনচিংবা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

সিক্কিম সেক্টরদা থোরক্লিবা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা দোক্লামদগী লান্মী লৌথোকপা মথৌ তাই হায়না চাইনানা অমুক্কা হন্না ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙদা ইন্দিয়া অমদি চাইনানা ঙমখৈগী মতাংদা উংখৎনবা কয়া য়াশিন্নবা পুরকখি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু বৈজিংনা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন গেং সুৱাংনা হায়খি, ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা হন্দক দোক্লামদা লোন্না চঙশিল্লকপগী থৌওং অসিগা মমাঙদা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনী উংখৎনখিবগী থৌদোক্কা খেন্নবা কয়া লৈ। দোক্লামগী মতাংদদি নাকল অনীমক্না ক্লেম তৌনরিবা লম ওইবনা মীৎকুপ অমদা হেক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ।

সিঙ্গাপোরগী লি কুৱান য়ু স্কুল ওফ পব্লিক পোলিসিদা ৱা ঙাঙখিবদা জয়শঙ্করনা হায়খিবনি মদুদি, মোত মান্নদবনা মরম ওইরগা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনী য়েৎনবা অমসুং নুংশি-নদবগী থৌদোক থোকহনবা চুমদে।

ৱাফম অসিগী মতাংদা গেং সুৱাংনা হায়খি, অরানবা মওংদা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী মতাংদা চাইনানা ন্যু দিল্লিদা কয়ারক হন্না খঙহনবা লৈখ্রে। য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ময়েক শেংনা খারিবা ঙমখৈদা ইন্দিয়ানা হঞ্জিন-হঞ্জিন লান্মী থাজিল্লত্তুনা খৎনবা হৌবগী থৌওং অসিনা এসিয়া খক্তদা নৎতনা মালেমদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইহল্লকপা য়াই। কুমজা ১৮৯০ গী কনভেন্সন মতুংইন্না সিক্কিম সেক্সনবু চাইনা অমদি ইন্দিয়ানা রেকগ্নাইজ তৌবা লৈখ্রবনি।

# নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা গভর্ণরগী য়াথং ইল্লু য়াখিদ্রে

কোহিমা, জুলাই ১৫ (এজেন্সী) :
রাজ ভবননা নাগালেন্দগী এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্নবা খঙহল্লকখিবা ৱাফম অমা চীফ মিনিষ্টর সুরহোজেলি লিজিটসুনা য়াখিদ্রে।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা এম এল এ অয়াম্বা মহাকপু শৌগৎলি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রবসু চীফ মিনিষ্টর লিজিটসুনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবা কনফিদেন্স মোসন অমত্তা পুখৎলকপা লৈতবনা এসেমব্লিগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোকপগী মথৌ তাদে।

এম এল এ অয়াম্বনা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না পল্লদুনা লিজিটসুনা হায়খি, কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ককী রিজোর্ট অমদা কেম্প তৌরিবা এম এল এ খরগী থৌরাং অরেম্বা তাদুনা তোক্লগনি। মরৈবাক থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমদা কেম্প তৌরিবা মীওইশিংনা লৈঙাক শেম্নবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকফম থোক্তে। অসামদা কেম্প তৌরিবা মীওইশিং অদুনা অসামদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, জুলাই ১৫গী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর লিজিটসুনা এসেমব্লিগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং উৎকদবনি হায়বা নাগালেন্দগী গভর্ণরনা পীখিবা য়াথং অমা গুৱাহাটি হায় কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা ষ্টে তৌবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা, সুরহোজেলি ফম থাদোক্কদবনি হায়না তকশিল্লিবা এম এল এ ৪১ না নাগালেন্দদা সেন্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা চহী ৫-৬ রোম য়াম্না কন্না নাদুনা নাতোন মনুংদা চাথৎলগা নাবা, নপ শিৎপা ঙমদবা, মরক-মরক্তা ঈ তারকপা, ঈ তাবা লোইরগা কোক চিকপা, মিৎলি তোয়না চিকপা, খৌনাউ মরেং-মরেং চৎপা, হকথি তোয়না খনবা, লোক য়াওরকপা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, ৱাবা, নপ মহী ওরো-ওরো চেন্থবা, কোক ঙাওবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম** ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩ দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ওপরেসন তৌদনা মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, লোয়ননা মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* 1. Minuthong Opposite Kekrupat Three Star Palace. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar, 3. Moreh No.-2 Gate.

HL-P/1979/03/7-12/08

*থাগৎচরিবা ঃ* **MISS NURJANES BIBI**

**MANIPUR UNIVERSITY**
CANCHIPUR : IMPHAL

**/ADMISSION NOTICE**
**Imphal, the 15th July, 2017**

**MU/3-I/14/Aca/BA (Dance)/346:** Applications on prescribed forms are invited for admission to BA Dance & Music (Hons) (a three years degree course) in the Department of Dance & Music, Manipur University for the academic session 2017-18.

**Eligibility :**

Candidates should have passed 10+2 Examination from the Council of Higher secondary Education, Manipur or its equivalent examinations along with the following courses :

(iii) **For Dance:** Candidates should have acquired the basic knowledge of Dance/ Sankirtana/Martial Arts (Thangta) with a minimum of three years Foundation/ Certificate Course from any recognized school, college, university or Institution funded/sponsored by the State or Central Government.

(iv) **For Music :** Candidates should have acquired the basic knowledge of music with a Certificate/Diploma Course in Music from any recognized school, college, university or Institution funded/sponsored by the State/Central Government.

Prescribed application forms and prospectus with detailed information will be available in the Cash Counter of the University w.e.f **17th July, 2017** on payment of Rs. 300/- only, (Rs.200/-only in the case of ST/SC candidates), upto 2.00 p.m. on all working days or by sending a Bank Draft drawn in favour of the Registrar, Manipur University payable at the SBI, MU Campus Branch, Canchipur, Imphal - 795003 along with a self addressed envelope of 28cm x 15cm with postal stamp worth Rs. 20/-.

Application forms may also be available on Manipur University Website **(www.manipuruniv.ac.in).** In such case the applicant has to enclose in the application a bank draft of Rs. 300/- (Rs.200/- for ST/SC candidates), in favour of the Registrar, Manipur University payable at the SBI, MU Branch (Code No. 5320).

Applications complete in all respects will be received by the concerned Department of the University up to the **31st July, 2017** during office hours on all working days

**Sd/- David K. Zote**
**Joint Registrar**

HL-B/4014/16

NATION TAX MARKET

Government Of India,
Ministry Of Finance,
Department Of Revenue,
Office of the Commissioner,
Central GST Commissionerate, Imphal,
1st Floor, Krisna Premi Shopping Complex,
Wangkhei Kongba Road, Imphal East.

Phone: (0385)2446262 Fax: (0385) 2460735 E-mail: cgstdiv.imphal@gmail.com

C.No. I(04)06/Buildings/CGST-Imphal/2017/28 Date: 14.07.2017

**TENDER NOTICE FOR HIRING OF READY BUILD OFFICE ACCOMMODATION**

**Ref: Tender Notice No. CGST/TN/01/2017 dated 23.06.2017**

In continuation to this office **Tender Notice No. CGST/TN/01/2017 dated 23.06.2017,** it is hereby informed to all the concerned that the last date for submission of Tender for hiring of office building which was fixed on 14.07.2017 at 12:00 hrs., has been extended upto 21.07.2017 at 12.00 hrs.

The opening of bid for hiring of office building has also been re-fixed on 24.07.2017 at 14.00 hrs at the of O/o the Assistant Commissioner (Hqr.)Central GST, Imphal located in the premises of O/o the Superintendent, Central Excise Range, Imphal, 1st Floor, Krishna Premi Shopping Complex(opp Thangal Mandir), Wangkhei Kongba Road, Imphal East.

All concerned are requested to contact this office for further information.

R.K. Shurchandra Singh
Assistant Commissioner
Central Goods & Services Tax (Hqrs.)
Imphal Commissionerate

HL-B/4013/16

SANGAI TUTORIAL
*Kwakeithel near Imphal College (Childrens' Ideal High School, Imphal)*

/ADMISSION OPEN (BOSEM & COHSEM)

CLASS X (2nd BATCH)
*Class Commencing on 5 June 2017*

CLASS XI Sc. (1st BATCH)
*Class Commencing on 26 June 2017*

CLASS XII Sc.(2nd BATCH)
***Class Commencing on 5 June 2017***

**Class Timing 5.am to 7.30.pm and the 4.30.pm to 7.30.pm**

***For more details #7629855465 / 9615784302***

HL-B/3922/8-1 AUG. (ALT.)